# নিরভয়া গেং রেপ : সুপ্রিম কোর্টনা মরাল লৈরবা মীওই মরি শিবগী চৈরাক পীবা য়াখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ০৫ (এজেন্সী) :

সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি নিরভয়া গেং রেপ কেসতা মরাল লৈরবা মীওই মরি শিবগী চৈরাক পীবগী ৱাফম কনফার্ম তৌখ্রে। মশাগী চহী ২৩ শুবদা ঙাইরিবী নিরভয়াদা চথখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা জষ্টিস দিপক মিস্রা, জষ্টিস আর বনুমতি অমসুং জষ্টিস অশোক ভুষণগী বেঞ্চনা হায়খি, লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা মীয়াম্বু অৱাবা পোকহনখিবা থৌদোক অদু অমুক হন্না থোক্তনবগীদমক মরাল লৈরবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীফম থোকই।

দিল্লি হায় কোর্টনা মমাঙদা শিবগী চৈরাক পীনবা লাউথোকখিবা ৱায়েল অমবু শৌগৎলদুনা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, তমথিরবা ক্রাইম অদুগী মওং মতৌ য়েংলগা সুপ্রিম কোর্টনা মরাল লৈরবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীবদা য়ারে। মুকেশ, পৱন, বিনয় শর্ম্মা অমসুং অশয় ঠাকুরনা চথখিবা থৌওং অদু তুংদা কনাগুম্বনা মতৌ তল্লক্তনবগীদমক শিবগী চৈরাক পীবদা অয়াবা পীখিবনি।

কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ১৬তা চহী নৌরিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই তরুক্না নিরভয়াবু সাউথ দিল্লিদা অচেনবা বস অমগী মনুংদা তমথিনা ওৎ-নৈখিবগা লোয়নননা নমদুনা ফল্লানবগী থৌওং চথখি। মমান্নবা অমগা লোয়নননা বসতা তোংলকখিবী নিরভয়াবু ক্রাইম তৌরল্লিবা মীওইশিং অদুনা বসতগী ইন্থরম্বদা ফীভম থীনা শোকখি। মহাকপু সিঙ্গপোরদা পুদুনা লায়েংলবা মতুংদা কুমজা ২০১২গী দিসেম্বর ২৯দা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লৈবাক শীনবা থুংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদগী রেপ অমসুং সেক্সুয়েল হরাজমেন্টকা মরী লৈনবা লোশিং মতিক ময়াই হেনগৎহনখিবনি।

মরাল লৈরবা মীওই মঙাগী মনুংদা চহী নৌরিবা মীওই অমদি রিমান্দ হোম অমদা মতম খরা থল্লম্লগা থাদোকখ্রে। সুপ্রিম কোর্টনা কেস অসিগী মতাংদা মতম শাংনা হিয়ারিং চথরকখ্রবা মতুংদা হৌখিবা মার্চ ২৭তা মরাল লৈরবা মীওই মরিনা শিবগী চৈরাক কোকপীনবা থাঙ্গৎলকখিবা আপিল পিটিসনগী ৱায়েল রিজার্ভ তৌদুনা থমখি।

চৈরকসিদা, নিরভয়াগী অপোকপা অমসুং অপোকপীনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুবু তরাম্না ওকখ্রে। নিরভয়াগী অপোকপী অশা দেবীনা হায়খি, থেংলবসু থেংনা সুপ্রিম কোর্টনা অচুম্বা ৱায়েল পীদুনা মরাল লৈরবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা লাউথোরকপদা অপেনবা পোকই।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনেকা গান্ধীনা হায়খ্রে মদুদি, সুপ্রিম কোর্টনা নিরভয়া গেং রেপকী মতাংদা পীরক্লিবা ৱায়েল অসিনা মতুং তারকপদা ক্রাইম তৌরকপা য়াবা মীওইশিংদা পড়া অমা তন্বীরগনি।

চহী ৫গী মতুংদা কোর্টনা অচুম্বা ৱায়েল পীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। কোর্টকী ৱায়েল অসি তাবদা লৈবাক্কী মীপুম খূদিংমক শোয়দনা হরাওবা পোক্লমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ক্রাইম অসিদা চেন্নবা চহী নৌরিবা অঙাং অমা থাদোকখিবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মনেকা গান্ধীনা হায়খি, কোর্টনা অফ-ফত্ত পূম্নমক কুপ্না খন্থরবা মতুংদা পীরল্লিবা ৱায়েল অসি তরাম্না ওকফম থোকই।

দিল্লি কম্মিসন ফোর ৱিমন (দি সী দব্লিয়ু)গী চ্যেরপার্সন স্বাতি জয়হিন্দনসু সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েলবু তরাম্না ওক্লদুনা হায়খি, মতম খরা চঙলবসু কোর্টনা কায়নথংদা অচুম্বা ৱায়েল পীরক্লে। হৌজিক্তি নিরভয়া গেং রেপ্তা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক ফংলগনি। পাউমীশিংগা উনবা অমদা স্বাতিনা হায়খি, হন্দক্কী মতাং অসিদা নিরভয়াগী ইমুংখক্তনা কেস থেংনবা নত্তে। লৈবাক্কী মীওই খূদিংমক মরাল লৈবা মীওইশিংগী মায়োক্তা লেপ্তুনা কেস অসি থেংনরিবনি হায়না লৌফম থোকই।

# আই এস আর ওনা সাউথ এসিয়া সেটলাইট মায় পাক্না থাগৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ০৫ (এজেন্সী) :

পুং ২৮ চুপ্না কাউন্টদাউন তৌরবা মতুংদা ইন্দিয়ান স্পেস রিসার্ছ ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না শ্রীহরি কোতাদা লৈবা ছতিসধৱন স্পেস সেন্টরদগী সাউথ এসিয়া সেটলাইট মায় পাক্না থাগৎখ্রে।

অন্ধ্র প্রদেশকী ছতিসধৱন স্পেস সেন্টরদা লৈবা অনীশুবা লোঞ্চ পেদতগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৫৭ তাবদা জিওসিক্রোনস সেটলাইট লোঞ্চ ভেহিকল (জি এস এল ভী)-এফ ০৯ থাগৎখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিনা সাউথ এসিয়ান এসোসিএসন ফোর রিজনেল কোওপরেসন (সার্ক) লৈবাক নিপানগী মনুংদা তরেৎনা খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংলগনি।

সেটলাইট থাগৎখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিয়ান স্পেস এজেন্সীশিংগী সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। সাউথ এসিয়ান সেটলাইট নৎত্রগা জি সেট-৯ কৌবা সেটলাইট অদু থাগৎপদা চাউরাক্না লুপা ক্রোর ২৩৫ চঙখি। থৌরাং অসিনা খা এসিয়াদা লৈরিবা লৈবাক মশেলগী মরক্তা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা খুদোং চাহল্লগনি। সেটলাইট অসিনা স্পেসতা চহী ১২ লৈদুনা মথৌ তৌগনি হায়রি।

অহানবদা সেটলাইট অসিগী মমিং সার্ক সেটলাইট হায়না খঙনরমই। অদুবু প্রোজেক্ট অসিদা পাকিষ্টান য়াওররোই হায়না লাউথোরকখ্রবা মতুংদা সাউথ এসিয়া সেটলাইট হায়না মমিং হোংদোকখি।

মায় পাক্না সেটলাইট থাগৎখ্রবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়ানা মশাগী ৱা ঙাকপা ঙল্লে। পাকিষ্টান নত্তবা সার্ক লৈবাক পূম্নমক খুৎশম্নরগা সেটলাইট থাগৎনবগী থৌরাং অমা লৌখৎলিবা অসিনা খা এসিয়াদা লৈরিবা মীয়ামগী খুদোংচানবা হোৎনবনা মরুওইবা পান্দমনি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎপা ঙল্লে।

প্রোজেক্ট অসি মায় পাক্না পায়খৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংলকখিবগীদমক অঘানিষ্টান, বাংলাদেশ, ভুটান, নেপাল, মালদিবস অমদি শ্রীলঙ্কাগী লূচিংবশিংবু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# কাশ্মীরদা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা কোম্বিং ওপরেসন চথখ্রে



শ্রীনগর, মে ০৫ (এজেন্সী) :

পুলিস পার্সনেলশিংদা এটেক চথবা অমসুং বেঙ্ক লুট তৌবগী থৌদোক তোয়না থোরকপদগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা কোম্বিং ওপরেসন চথদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাগৎনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

আর্মিগী সোর্ছ অমনা হায়খি, হৌখিবা চহী ১৫গী মনুংদা আর্মি, পেরা মিলিটরি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী অপুনবা টিম্না খা থংবা সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা য়ুমথোঙ খূদিং চঙদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখিবনি।

মকোক থোংবা আর্মি ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, হৌজিক হৌজিক কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম খরদা চথরিবা কোম্বিং ওপরেসন্দা চাউরাক্না সিক্যুরিটি পার্সনেল ৪০০০ হেন্না শীজিন্নরি। শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ৬২শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী জৱানশিং তোংবা গাড়ী অমদা শকখঙদবশিংনা এটেক চথরকপদগী মীচম দ্রাইভর অমা শিখিবগা লোয়নননা জৱান মরি অশোক-অপন নংখ্রবা মতুংদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথখিবনি।

ইমাম শাহিব মনাক্তা ৬২শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী লান্মীশিংদা এটেক চথরকখিবগী থৌওং অদু হিজবুল মুজাহিদ্দিনননি হায়না ক্লেম তৌরকপা লৈখ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীচম দ্রাইভর অদু সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টকী কাচদুরা খুঙ্গংদা লৈবা নাজির অহমদ কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙলে।

দিল্লিদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা আর্মি চীফ জেনরেল বিপিন রাৱটনা হায়খি, কাশ্মীর তম্পাক্তা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহন্নবগী পান্দমদা পাক শন্না কোম্বিং ওপরেসন চথবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পাকিষ্টান্না ইন্দিয়াগী লান্মী অনী মঙক কক্তুনা হাৎখিবগী মতাংদা চপ চানা লমন খুমগনি হায়বগী ইঙ্গিৎসু আর্মি চীফনা পীখি। অদুম ওইনমক করি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদুদি ময়েক শেংনা পনখিদে।

থৌরম অমা য়াওবা লাকখিবা আর্মি চীফনা পাউমীশিংদা হায়খি, আর্মিগী ওইনদি তুংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিং মাঙজৌননা লাউথোকপা তৌদে। থবক ওইনা পাঙথোক্লবা মতুংদা কোন্না ৱা ঙাঙবগী চৎন-কাঙলোন লৈ।

পাকিষ্টানি আর্মিনা নাইব সুবেদার পরমজিৎ সিংহ অমসুং হেদ কন্সটেবল প্রেম সাগরবু লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা মঙক কক্তুনা হাৎখিবগী মতাংদা করি থৌরাং লৌখৎকদগে হায়না পাউমীশিংনা হংখিবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মমাঙ চহীদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথখ্রবা মতুংদা এল ও সী মনাক্তা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম লৈরিব্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, আর্মিনা ঙমখৈ ৱাংমদগী টেররিষ্টশিং চঙলকপা থিংনবা থৌরাং লেপ্তুনা লৌখৎলি। মতুং তারকপদসু টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরকখিগনি। মদুনা মরম ওইরগা ঙমখৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌকৎলে।

# বিহারদা লাইশঙ শানবা মুস্লিমশিংনা লম পীখ্রে



পত্না, মে ০৫ (এজেন্সী) : কাঙলূপ মশেল নুংশিনদবগী থৌওং হেনগৎলকখিবা তারবসু বিহারগী গোপালগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টতা মুস্লিম ইমুং অমনা লম পুথোক্তুনা লাইশঙ শানবা থৌরাং লৌখৎহনখ্রে।

গোপালপুর পুলিস মনুং চনবা অহিরোলি দুবোলি তোলা তাকিয়াদা লৈবা তবারক দেৱান অমদি মহাক্কী মচানুপা মনু দেৱাননা নেসনল হায়ৱে-২৮ মনাক্তা মশাগী লম পুথোক্তুনা লাইশঙ অমা শানবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। থা খরগী মমাঙদা মপা মচানা হায়রিবা মফম অদু লুপা লাখ ১২দা লৈখিবনি।


বিহারদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা জনতা দল (য়ুনাইটেদ)গী লেজিসলেটর অমরেন্দর কুমার এলিয়স পপু পান্দেনা হায়খি, মুস্লিম ইমুং অমনা লম পুথোক্তুনা লাইশঙ শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলিবা অসিনা মরম ওইরা হিষ্টোরিক ওইরবা বধনাকুতি টেম্পলগী ফীভম ফগৎহনবা ঙল্লগনি। করিগুম্বা মপা-মচানা লম পুথোক্লমদবা তারবদি লাইশঙগী ফীভম শেমজিন-শাজিনবদা ৱানা থোক্লমগনি।

মুস্লিম অমসুং হিন্দু ফুরুপকী মীওইশিংনা অযোধ্যদা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদা কন্না য়েৎনরিঙৈ চৈরক্তা থৌওংসি চথরকখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা বি জে পিগী লূচিংবা এল কে অদবানি, মুর্লি মনোহর জোসি অমসুং উমা ভারতিগী মথক্তা কন্সপিরেসীগী চার্জগা মরী লৈননা ৱায়েল চথনবা থৌরাং লৌখৎলিঙৈ চৈরক্তা বি জে পিগী এম পি ওইরম্বা রাম বিলাশ বেদান্তিনা বাব্রি মসজিদ থুগাইবদা মহাক মশামক য়াওখি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। কারসেবকশিংদা য়াথং পীরবা মতুংদা কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর ৬তা বাব্রি মসজিদ থুগাইহনখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ন্যুজ চেনেল অমদা পীখিবা ইন্টর-ভিয়ুদা মহাক্না হায়খি, সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না শেমজিন শাজিনবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা কেস রেজিষ্টর তৌখি। মসজিদ থুগাইখিবা থৌদোক্তা এল কে অদবানিনচিংবা বি জে পিগী মরুওইবা লূচিংবা অমত্তা য়াওখিদে।

# শিবপাল যাদবনা সমাজৱাদি সিক্যুলর মোর্চা লিংখৎখ্রে



লখনৌ, মে ০৫ (এজেন্সী) : মুলায়ম সিংহ যাদবনা লিংখৎখিবা সমাজৱাদি পার্টি মচেৎ তাখিবগা লোয়নননা মনাওনুপা শিবপাল যাদবনা সমাজৱাদি সিক্যুলর মোর্চা কৌবা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখৎলে হায়না লাউথোকখ্রে। অদুম ওইনমক শিবপালনা লিংখৎলিবা পোলিটিকেল পার্টি অসিগী লূচিংবা মুলায়ম সিংহ যাদবনা ওইগনি হায়রি।

থা কয়া পার্টি মনুংদা নাকপাক তানরকখিবগা লোয়নননা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ু পিগী এসেমব্লি মীখলদা সমাজৱাদি পার্টিনা মায়থিবা ফংখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অখিলেশ যাদবকা ফম মুন্নদুনা লাক্লবা মতুংদা শিবপাল যাদবনা অনৌবা পার্টি অমা লিংখৎপগী মতাংদা হায়খি, সমাজৱাদিশিং প্লেটফোর্ম অমদা পুন্না লেপমিন্নবা য়ানবগীদমক সমাজৱাদি সিক্যুলর মোর্চা লিংখৎপনি। নেতাজি (মুলায়ম)দা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা সমাজৱাদিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা থৌরাং মখা তানা লৌখৎখিগনি।

ময়াম্বনা পোকপা অখিলেশ যাদবকা ফম মুন্নবগী মতাংদা শিবপাল যাদবনা হায়খিবনি মদুদি, করিগুম্বা অখিলেশ যাদবনা পার্টি প্রসিদেন্টকী ফম মুলায়মদা শীন্নদবা থোক্লবদি অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই।

মীখলদা মায়থিবা নংখ্রবা মতুংদা অখিলেশনা মুলায়মদা প্রসিদেন্টকী ফম শীন্নগনি হায়না থাজবা পীখি। অদুবু থা ৩ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবা মখা তানা ফম কোন্দুনা লৈবদগী তঙাইফদনা অনৌবা পার্টি অমনা লিংখৎপনি হায়না শিবপালনা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন মমাঙদা শিবপাল অমসুং অখিলেশনা পার্টিগী টিকেট পীবগী মতাংদা য়েৎনবা কয়ামরুম লৈখি। মীখল অদুদা সমাজৱাদি পার্টিনা অখিলেশকী লীচিং মখাদা মীরেপ থাদোকখি অদুবু বি জে পিগী মখুত্তা মায়থিবা ফংখি। জন্যুৱারী থাদা শিবপালনা মীরেপ চে পীশিল্লবা মতুংদা অনৌবা পার্টি অমা শোয়দনা লিংখৎলগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মীখলগী ফল হেক লাউথোরকপগা অনৌবা পার্টি লিংখৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা তারবসু মতম খরা তুমিন্না লৈশিনখিবদগী মীয়াম্না পার্টি মনুংদা লৈরম্বা মোত মান্নদবা পূম্নমক কোকহনবা ঙমখ্রে হায়না থাজনখি। অদুবু য়াম্না থাজদবা মওংদা শিবপালনা ময়াম্বা মুলায়মগা লোয়নননা অনৌবা পার্টি অমা লিংখৎপগী ৱাফম লাউথোরকখি।

# ‘বাংলাদেশতা ইন্দিয়াগী লালহৌবশিং লৈবা খুদোংচাদ্রে’



শিল্লোং, মে ০৫ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াগী লালহৌবশিংনা বাংলাদেশতা মখা তানা লৈথবদা ফীভম চাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে হায়না বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী দিরেক্টর জেনরেল কে কে শর্ম্মানা ফোঙদোকখ্রে।

বি এস এফ (মেঘালয়া ফ্রন্টিয়ার) হেদক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমা য়াওবা লাকখিবা কে কে শর্ম্মানা হায়খি, বাংলাদেশতা লালহৌবগী ট্রেনিং কেম্প খরা লৈরম্বদু বোর্দর গার্দ ওফ বাংলাদেশ (বি জি বি)না থুগাইখ্রে। লৈহৌরিবা কেম্প খরসু বাংলাদেশকী সিক্যুরিটি ফোর্সনা অথুবা মতমদা থুগাইনবা থৌরাং লৌখৎলি।

ইন্দিয়া অমদি বাংলাদেশকী লোন্নবা কিলোমিটর ১,৮৮০ শাংবা ঙমখৈ পরিংদা লালহৌবশিং ইকোম কোম্না চথোক চৎশিন তৌবগী থৌওং মপুং ফানা লাকশিনবা ঙল্লে। ত্রিপুরাগা লোন্নবা কিলোমিটর ৮৫৬, অসামগা লোন্নবা কিলোমিটর ২৬৩, মেঘালয়াগা লোন্নবা কিলোমিটর ৪৪৩ অমসুং মিজোরামগা লোন্নবা কিলোমিটর ৩১৮ শাংবা ঙমখৈগী শরুক পূম্নমক সিল্ড তৌশিনখিবদগী লালহৌবশিংনা ঙমখৈ লান্থোক লানশিন তৌবা ঙমখিদ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙমখৈ ৱাংমা লান্না শা-ষণ স্মগ্লিং তৌবগী মতাংদা কে কে শর্ম্মানা হায়খি, বি এস এফকী জৱানশিংনা ঙমখৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা স্মগ্লরশিংগী থৌরাং পূম্নমক অরেম্বা তাহন্নবা হোৎনরি।


## ꯈꯪꯍꯟꯕ/ খঙহঞ্জবা

লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী মেগী তাং ০১, ২০১৭ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফমখিবা থৌবৈগী মীফমগী ৱারেপকী মতুংইন্না থৌবৈগী লমজীং পুরেল অহল, শাজৌ চেংলৈনা মহাক্কী লনাই ওইবা থবক্তা লুপকী মীং শীজিন্নদুনা লুপকী মীংচৎ থিহনবগীদমক নুমিৎ ১৫ নি শেংদোরক্লবা মতম পীরে। মসিগী মখা তাবদা য়ানদ্রবদি লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগন কাঙলুপ অমদি মসিগা মরী লৈনবশিংদগী ইন্থোকপা হায়না য়ানরে।

*খঙহঞ্জরিবা ঃ* ওইনাম মেঞ্জোর খুমন, *লুচিংপুরেল*
লাইয়িংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলুপ, শঙলেন, ইম্ফাল।

HL-P/1502/6 ☎ 9856332175

## ꯊꯥꯒꯠꯄ/থাগৎপা ফোঙদোকচরি

সনামহী লাইনিংকোল চীংগোই নোংমাইজিংদা MANIREDA না Solar Lamp থানবীদুনা গৌরনগর য়াওনা ঙালহনবীরে। মসিগীদমক Director, MANIREDA, Lourembam Manglem লোয়নননা পোষ্ট য়ুংবদা শরুক য়াবীরম্বা ইচিন ইনাও পুম্বা লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা ইকাই খুম্নজবগা লোয়নননা থাগৎচরি। মখা তানা চীংগোই ইরুপফম অমদি নোংপোক অচিবা লাইফমদা মীৎয়েং চঙবীনবা নোল্লুকচরি।

*থাগৎচরিবা ঃ* ওইনাম মেঞ্জোর খুমন, *লুচিংপুরেল*
লাইয়িংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলুপ, শঙলেন, ইম্ফাল।

HL-P/1502/6 ☎ 9856332175

## ꯁ꯭ꯔꯥꯗ꯭ꯙ/শ্রাদ্ধ য়ৈথোকপা

লাক্লিবা তাং ৭/০৫/২০১৭ ইং, কালেনগী ১২ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্কনি তৌজরম্বা শ্রাদ্ধ শাগৈগী য়ুম মাংবা য়াওবদগী য়ৈথোকচরে। লাক্লিবা তাং ১৬/০৫/২০১৭ ইং, কালেনগী ২০ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওইনা শ্রাদ্ধ পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা নুমিৎ অসিদা মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমক্না শরুক য়াবীনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

*পাউজেঞ্জরিবশিং ঃ* লোইতোংবম ওংবী অঙৌবী (লোয়নবী) কুমার (মচানুপা) অমদি ইমুং-মনুংশিং।
*হিয়াংথাং মনিং মখা লৈকায়।*

HL-P/1503/6

## ꯇꯥꯛꯄ/ URGENTLY REQUIRED

**COLOURS BAG** ki cosmetics salesman amadi saleswoman khara athubagi oina pamjei. Pambiba mee-oisingna makhada pijariba address ashida Sunday-gi pung 10:00 AM dagi pung 4:00 PM phaobagi manungda lakpiduna akuppa marol hangbiba yagani.

***Salary : ₹ 6000 + Incentives***

**PATSOI PART I**
***Opposite Oil Pump***
**COLOURS BAG**

HL-P/1504/6

## ꯄꯥꯡꯖꯤ ꯇꯝꯕ/ পাঞ্জী তম্বা

বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা থা অহুম জ্যোতিষ তম্বগী ১৭ রক শুবা সেসন মায় পাক্না লোয়শিনখ্রবা মতুংদা ১৮ লক শুবা সেসন তাং ১৫/০৫/২০১৭ দগী হৌজরগনি। য়াওবীনিংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী অসিদা উনবীয়ু।

**খুন্দোংবম মনি**
***খুরাই সোইবম লৈকাই, সিতিজন্স ক্লব মনাক***

HL-P/1492/6 ☎ 9856641170

## ওফিস ওফ ডি
## ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল
## ময়াং ইম্ফাল, মণিপুর
## ꯈꯪꯍꯟꯕ/ খঙহঞ্জবা

তাং ০৪-০৫-২০১৭

**No.8/12/HFA/MIMC-2016:** প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজানা- হাওশিং ফোর ওল (উরবান) গী কম্পোনেন্ট অমা ওইরিবা ‘‘সবসিদি ফোর বেনিফিসরি-লেদ ইন্দিবিদ্বেল হাউস কন্সত্রক্সন’’ (BLC)গী ওইবা ‘‘প্রিলিমিনরি লিষ্ট ওফ বেনিফিসরিস’’ অমা ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা ফোঙলে। হায়রিব লিষ্ট অসি ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিসতগী নৎত্রগা ৱার্ড/ৱার্ডকী কাউন্সিল্লরশিংদগী খঙবীবা য়াগনি। লোয়ননা, হায়রিবা লিষ্ট অসি মণিপুর উরবান দিভলপমেন্ট এজেন্সি (MUDA) গী ৱেবসাইত **www.muda.mn.gov.in** দগীসু উবিবা ফঙবিগনি। প্রিলিমিনরি লিষ্ট অসিদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/০৫/২০১৭ ইং, ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোল পীশিনবীরকপা য়াগনি।

*পাউজেঞ্জরিবাঃ* **N. Anita Devi**
***Executive Officer,* Mayang Imphal**
***Municipal Council***

HL-P/1511/6&7

## ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

**উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং**

**(অঙৌবা পকপা)**

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3851/6/05-04/06